**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 12-07-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কৈশাম্পাৎতগী মালোম ফাওবগী লম্বীগী নাক য়েৎতা আইন কায়না শাজিল্লিবশিং সরকারনা ঙরাং ফাওবদা লৌথোকবা খঙহনখ্রবা মতুং ঙসি তকথোকপগী থবক চথখ্রে।

২) মণিপুরগী চীংগী জিলাশিংদা আইনগী ওইবা ব্রায়েল চথবা মতমদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা ঙসি হিল দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিয়েসনগী মীহুৎশিংগা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা উন্নদুনা খন্নখ্রে।

৩) 'এরেষ্ট এন্দ দিতেন্সন' হায়বসিদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনামদা পাঙথোকখ্রে।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- রোজগার মেলানা নহারোলশিংবু শক্তী পীদুনা ভিক্সিট ভারত অমা ওইহন্নবা হোৎনবা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

অমসুং

৫) ছত্তিসগরগী সুকমা জিলাদা ঙসি নুপী ৯ য়াওনা মাওইষ্টকী মীওই ২৩ পুলিসতা চংজরকখ্রে।

------

ইভিক্সন (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কৈশাম্পাৎ জঙ্কসনদগী মালোম ফাওবগী লম্বীগী নাকল অনিমক্তা আইন কায়না শাজিল্লিবশিং অমদি য়ুম কৈ শানবা পোৎলমশিং পৈশিনবনচিংবশিং তকথোকপগী থবক ঙসি চথখ্রে।

থা অসিগী ৪ দা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা ওর্দর অমা থোকখ্রবা মতং দ্রাইভ অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, সেক্যুরিতি পার্সোনেল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট রেভিন্যু ওফিসারশিংনা পুন্না চথখিবনি।

মীয়ামগী চৎথোক চৎশিন ওইরিবা লম্বীগী নাক য়েৎতা লনাইগী ওইবা পোৎ চৈশিং পৈশিনবা অমদি লম খোপচিনদুনা শেমজিন শাজিনবনা লম্বী চৎলিবা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া পীবদগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না লম্বী তকথোক বগী ৱারেপ অসি লৌরকপনি। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ময়াংলম্বম রাজকুমার সিংহনা হায়- হৌখিবা চহি ২০২২, ২০২৪ অমদি চহি অসিগী অঙনবা শরুক, ইকুই কুইদনা থা অসিগী ৪ দা আইন্না য়াদবা মওংদা শেমজিন শাজিল্লিবশিং অসি তকথোকবা ইভিক্সন নোটিশ কয়া থাদুনা খঙহনখিবা লৈখ্রে। মহাকা হায়- ঙসিগী অদুগুম্বা ইভিক্সন দ্রাইভ অথুবা মতমদা উরিপোক পরিংদসু চথরগনি। অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলা খক নত্তনা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদসু আইন কায়না শাজিল্লিবশিং তকথোকবগী থৌরাং পায়খৎপা লৈখ্রবনি।

গভর্নর (এল)ঃ মণিপুরগী চীংগী জিলাশিংদা আইনগী ওইবা ৱায়েল চথবা মতমদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা ঙসি হিল দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিয়েসনগী মীহুৎশিংগা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা ইম্ফালদা লৈবা রাজ ভবনদা উন্নদুনা খন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা মীহুৎ কাংবু অদুনা চীংদা জ্দিসিয়েল ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং মতিক চানা লৈতবা অমদি ৱায়েল চথবা মতমদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা রাজ্যপালদা পাউদমখি। রাজ্যপালনা মখোয়গী ৱারোলশিং অদু তারবা মতুং, অথুবা মতমদা তঙাইফদবা থবকশিং পায়খৎলগনি হায়না থাজবা পীখি। ঙসিগী মীফম অদুদা কম্মিসনার লোসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, তাঙ্খুল নাগালোংগী প্রসিদেন্টনা সোর্দ ভাসুম য়াওনা লুপ অসিগী মীহুৎ কাংবু অমনা তাঙ্খুলশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা রাজ্যপালগা উন্নদুনা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

মেমোরেন্দম (এল)ঃ  সস্পেন্সন ওফ ওপরেসনদা লৈবা মিলিটেন্ট গ্রুপশিংগী কেম্প ফাওনবা জরমন রোড অমদি টাইগর রোড শেমনবা তৌরিবা খোঙথাং অসি অথুবা মতমদা লেপহন্নবা রোংমৈ নাগা কাউন্সিলনা মণিপুরগী রাজ্যপালগী খুত্থাংদা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে। হিরম অসিগী মতাংদা কাউন্সিল অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- গৃহ মন্ত্রিনা লমদম অসিদা হান্নগুম শান্তি লৈনা নুংশি চান্ননা লৈনবা আইন্না য়াদবা মওংদা শেম শারিবশিং অসি অথুবা মতমদা লেপহন্নবা মেমোরেন্দম অদু পীশিনখিবনি।

কোবিদ (এল)ঃ মনিপুরদা ঙসি নৌনা কোবিদ নাইন্তিন পোজিটিব ওইবা মীওই অমত্তা থেংনদ্রে।  রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী চেরোল অমনা হায়- ঙসি পুন্না মীওই ১৩ কোভিদ নাইন্তিনগী টেষ্ট তৌবদা মীওই অমত্তা পোজিতিভ ওইবা থেংনখিদ্রে।  মনিপুরদা কোবিদ পোজিটিব ওইবা মীগী মশিং পুন্না ৩১৮ মনুংদা ২৯৬ নাবা ফারক্তুনা দিচার্জ তৌখ্রে। হৌজিক কোবিদকী এক্তিব কেস ২২ লৈরি।

প্রোগ্রাম(এল)ঃ  ‘এরেষ্ট এন্দ দিতেন্সন’ হায়বসিদা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম অমা বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনামদা লৈবা রোয়েল একাদেমি ওফ লোগী সেমিনর হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা মণিপুর হাই কোর্টকী চিফ জস্তিস, জস্তিস কে.সোমাকেস্বর শরুক য়াখি।

মনিপুর য়ুনিভর্সিতিগী লো দিপার্টমেন্টকী হেদ ডা.য়ুমাম প্রেমানন্দনা ২০২৩ দগী ক্রিমিনেল লোশিং চৎনরকখ্রবা মতুংদগী মাংলোমদা চংশিনবা হায়বা হীরমদা ৱা ঙাংখি। ভারত্তিয়া ন্যাই সনহিতা, ভারত্তিয়া নাগরিক সুরক্সা সনহিতা অমসুং ভারত্তিয়া সক্সিয়া অধিনিয়মগী মখাদা শেমখিবা অনৌনা ক্রিমিনেল লোশিং অসিগী মতাংদা পেনেল দিস্কসন অমসু পাঙথোক্লি। লোশিং অসিগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদসু অখণ্ড অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি। থৌরম অসি মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিতিগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট

এন্দ সেসন্স কোর্ট, বিষ্ণুপুর অমসুং রোয়েল একাদেমি ওফ লোগী দেদিকেতেট মেদিয়েসন সেন্তরনা পুন্না শিনবনি।

হোমগার্দ (এল)ঃ মণিপুর হোম গার্দ ৱেলফ্যার স্কিম কমিতিনা শিন্দুনা মণিপুর হোম গার্দ ৱেলফ্যার স্কিমগী মখাদা তোঙান তোঙানবা পার্সোনেল ৩১ দা রিটয়ার্দমেন্ট বেনিফিৎশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফালগী জি.এম. হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ৱাই. মঙ্গিনা হায়- ঙসিগী থৌরম অসিনা হোম গার্দকী কর্ম্মচারিশিংদা অশেংবা থৌনা পীরগনি। মণিপুর হাই কোর্টনা হোম গার্দকী লৈফম থোকপা সেনিয়ারিতি লিষ্ট অমসুং প্রমোসন গাইদলাইনচিংবা শেমনবা খঙহনখিবা লৈখ্রবসু সরকারনা থবক ওইনা ওন্থোকপীদে হায়না শ্রী মঙ্গিনা নুংঙাইতবা ফোংদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা হোম গার্দকী বত্তাল্লিয়ন ১ দগী ৫ ফাওবগী মকোক থোংবা পার্সোনেলশিং শরুক শরুক য়াখি।

মনা (এল)ঃ রাম লাল পাউল ১৯৮২ গী মেত্রিক এলুমনি অমদি রাম লাল পাউল হায়র সেকেন্দরি স্কুল অনিনা শিন্দুনা ক্লাস টেন অমদি তুয়েল্ব পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনা ফংদুনা স্কুল অসিগী মীংচৎ পুরকখ্রবা মহৈরোইশিংবু পুকিং থৌগৎতুনা মনা মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি স্কুল অসিদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মণিপুর হাই কোর্টকী জষ্টিস লোয়ননা রাম লাল পাউল ১৯৮২ মেত্রিক এলুমনিগী প্রসিদেন্ট অরিবম গুনেশ্বর শর্ম্মা অমদি স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল শ্রীমতি হাওবম পদমিনি য়াওনা অতৈ মীওই কয়া শরুক য়াখি।

ককচিং (এল)ঃ ককচিং খুনৌ কলেজ লিংখৎখিবগী ৪৪ শুবা পানল থৌরম ঙসি কলেজ অসিগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি কলেজ অসিগী একাদমিক কমিতি অমসুং আই.কিউ.এ.সিনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ও. বিনোই, কলেজ অসিগী ওজা অমসুং ষ্টাফশিং অমদি মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

ত্রেনিং (এল)ঃ  চহি অসিগী মে অমসুং জন থাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লফুপাৎ তেরা অমদি হিয়াংখোংদা পাঙথোকখিবা ঙা য়োকপগী মতাংদা মাষ্টর ত্রেনর প্রোগ্রামগী সার্তিফিকেটশিং খুৎশিন্নবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী লফুপাৎ তেরা ময়াই লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পঞ্জাব নেসনেল বেঙ্ক রুরেল সেল্ফ ইমপ্লোইমেন্ট ত্রেনিং ইন্সটিট্যুসন ককচিং, ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া রুরেল সেল্ফ ইমপ্লোইমেন্ট ত্রেনিং ইন্সটিট্যুসন ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি ওল মণিপুর য়ুনাইতেদ ফিস ফারমর এসোসিয়েসন (অমুফা)না পুন্না খুৎশমরগা শিনবনি। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবা ত্রেন্নর ৬৮ তা সার্তিফিকেটশিং য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা ফিসরিজ বিভাগকী দাইরেক্তর তখেল্লম্বম ফুলেন মৈতৈ, অমুফাগী প্রসিদেন্ট ময়েংবম বিমোলচান্দ, অমুকোগী প্রসিদেন্ট নন্দো লুৱাং অমদি বেঙ্ক অমদি সরকারগী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

তমেংলোং (এল)ঃ  তমেংলোংগী ৱার্দ নম্বর-৮ গী চাবগানগী খুঞ্জাশিংনা লনাই ওইনা মেরিলেন্দদগী তমেংলোং-তৌসেম লম্বীগী চাবগান ফাওবা লম্বী শেমজিনখ্রে। খুঞ্জাশিংনা লম্বী অসি মরী লৈনবা ওথোরিতিদা শেন্বীনবা তকশিন দুনা লাকখিবনি। তৌসেম সবদিভিজনগী খুঞ্জাশিংগী য়ামা মরুওইবা লম্বী অসি য়ুমলোন্নবা রাজ্য অসাম ফাওবা চৎপা য়ারম্বা অদু মতম শাংনা য়েংশিনবিদবদগী লম্বী অসি চাবগান দিভলপমেন্ট কমিতিনা লুচিংদুনা শেমজিনখিবনি।

প্রোগ্রাম (এল)ঃ  পাওমাই নাগা সি দোমাই মে ইম্ফালনা শিন্দুনা কেরিয়র কাউন্সেল্লিং কম এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি ইম্ফালগী চীংমৈরোংদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়ারিবা মহৈরোইশিংদা ক্লাস তুয়েল্ব,

গ্রেজ্য়েসন অমসুং পোষ্ট গ্রেজ্য়েট লোইরবা মতুং মশাগী করিয়র খঞ্জনবগী মতাংদা এক্সপার্টশিংনা ৱা ঙাংখি।

এৱার্দ (এল)ঃ ঐখোয়গী য়াইফ লমজিং লুপ চীংঙামথক ইম্ফালনা শিন্দুনা ৩০ শুবা মেরিটোরিয়স এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি ৱাবগাই হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ক্লাস টেন অমদি তুয়েল্ব পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনা ফংবা হিয়াংলম অমদি ৱাবগাই কেন্দ্রগী মহৈরোইশিংদা খুদোলপোৎ পীদুনা পুকিং থৌগৎখ্রে।

থৌরম অদুদা কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজ্কেসন মণিপুরগী চেয়ারমেন তখেল্লেম্বম ওজিৎ য়াওনা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

লিলোং (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লিলোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা-একচেঞ্জ ওফ এক এন্দ থোটস হায়বা থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। ঙসিগী থৌরম অদুদা চেয়ারমেন ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতিগী ঙাংবম নোংয়াই অমদি স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল শরুক য়াখি।

বিজেপি (এল)ঃ ভারতিয়া জনতা পার্তি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা থা অসিগী ১০ দা হৈঙাংদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী থৌরম অমদা কংগ্রেস লুচিংবা ওক্রম ইবোবী, এম.পি. বিমোল অকোইজম অমসুং দল অসিগী মীওইশিংনা পাউচেগী খুথাংদা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদু পেন্দবা অমদি য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

ফ্লড (এল)ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী হাইদ্রো মেট দিভিজন্না ঙসি থোকপা চেরোল অমনা হায়- মণিপুরগী চান্দেল অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাদা হয়েং অয়ুক পুং ১১ মখায় ফাওবগী মনুংদা ঈচাউ থোরকপা য়াই।

অসাম অমসুং মেঘালয়গী করিমগঞ্জ, কছার, এন.সি. হিলস, কর্বি

অংলোং, জয়েন্তিয়া হিলস, রি ভোই, ইষ্ট গারো হিলসনচিংবা মফমশিংদসু ঈচাউ থোক্লবা য়াই হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

পিএম(এল)ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-রোজগার মেলানা নহারোলশিংবু শক্তী পীদুনা ভিক্সিট ভারত অমা শেমগৎপদা থৌদাং লৌহ্নবা সরকারগী ফিরেপ অদু উৎলি। সরকারগী তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী নৌনা থবক খল্লবা নহা লিশিং ৫১ হেনবদা ঙসি ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা এপোইন্টমেন্ট লেতর য়েন্থোক্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়-ঙসিদি মালেম অসিনা ভারতকী মরুওইবা শক্তী অনি-দেমোগ্রাফি অমসুং দেমোক্রেসিবু শক খঙবীরে।

নৌনা থবক খল্লবশিং অদুগী মফমদা নুঙাইবা ফোঙদোক্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়-সরকার অসিগী রোজগার মেলাগী থৌরাংনা নহা লাক্ষ কয়াদা কেন্দ্র সরকারগী থবকশিং হান্ননা ফংহনখ্রে। মখোয়শিং অদুনা লৈবাক অসিবু শেমগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। স্তার্ট অপ, ইন্নোভেসন অমসুং রিসর্চকী লমদা চাউখৎলক্লিবা অসিগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মসিনা লৈবাক অসিগী নহাশিংগী তৌবা ঙম্বগী শক্তী হেনগৎহল্লি। প্রাইভেট সেক্তরদা নৌনা থবক পীবগী খুদোংচাবা কয়া ফংহল্লিবা অসিগী মতাংদা সরকারনা পুকিং চংলিবা অসিগী মতাংদা শ্রী মোদিনা হায়-সরকার অসিনা ইমপ্লোইমেন্ট লিঙ্ক ইসেন্তিভ স্কিম কৌবা অনৌবা স্কিম অমা হন্দক্তা অয়াবা পীখ্রে। মহাকা হায়-মসিগীদমক সরকারনা লূপা কোতি লাক্ষ ১ রোম কাইথোক্লে অমসুং মসিনা মীওই কোতি ৩ মখায়রোমদা থবক ফংহনবদা মতেং ওইরগনি।

শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী হেনবা শক্তি অমদি পোৎচৈ শাবগী লম অসিনা ওইরি। লম অসিনা মীওই কয়াদা নৌনা থবক পীরি। শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অসিনা ঙাকশেলগী পোত্থোক পুথোকপগী চাং লূপা কোতি লাক্ষ ১ লিশিং ২৫ হেন্দুনা লম অসিদা অনৌবা রেকোর্দ থম্বা ঙল্লি। ইন্তরনেসনেল লেবর ওর্গনাইজেসনগী হন্দক্তা পুথোকখিবা রেকোর্দতা হৌখিবা চহী ১০ অসিদা লৈবাক অসিগী মীওই কোতি ৯০ হেন্না চাউখৎ থৌরাংগী স্কিমশিংদা কোনশিনবা ঙম্লে হায়না ফোঙদোকখি।

মাওইষ্ট (এল)ঃ  ছত্তিসগরগী সুকমা জিলাদা ঙসি নুপী ৯ য়াওনা মাওইষ্টকী মীওই ২৩ পুলিসতা চংজরকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস কিরন চৌহান্না হায়- মাওইষ্টশিং অদু ফাবদা পুন্না লুপা কোতি ১ লাখ ১৮ গী মনা পীগনি হায়না হান্ননা লাউথোকখিবনি। চংজরক্লবা মাওইষ্টশিং অদুদা লুপা লিশিং ৫০-৫০ গী চ্যেক মনাশিং পীগনি অমদি রিহেবিলিতেসন পোলিসিগী মখাদা রাজ্য সরকারনা অতৈ খুদোংচাবা কয়াসু পীগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল (এল)ঃ  মনিপুর সরকারগী য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টসনা শিনবা চহি ১৭ মখাগী নুপামচা ৬৪ শুবা ষ্টেট লেবেল সুব্রোতো মুখর্জি ফুটবোল তুরনামেন্ট ঙসি থৌবাল নিংঙোম্বম মিনি ষ্টেদিয়মদা হৌখ্রে। তুরনামেন্ট অসিদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী টিম ১১ না শরুক য়ারি। ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা দিপ্যুতি কম্মিসনার থৌবাল, হনা কামৈ শরুক য়াখি।

তুরনামেন্ট অসিগী অহানবা নুমিৎতা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দাইনা ইংলিস স্কুলনা উখ্রুল জিলাগী লিটল এঞ্জেল ইংলিস স্কুলবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচশিংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী য়ুমাম হুইদ্রোম হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা সেনাপতি জিলাগী সকলিম হাইস্কুলবু পাঞ্জল ৬-১ দা থোইখি অমসুং ককচিং জিলাগী লাংমৈদোং হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাগী টি.জি. ইংলিস স্কুল পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখি। নোনে জিলাগী খাংসিলুন হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা তেংনৌপল জিলাগী চলোম ইংলিস একাদমিবু পাঞ্জল ৫-৪ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ  অনিশুবা প্রেমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি সাই গ্রাউন্দ তাকয়েলদা শান্নখিবা মেটচতা ৱাংগোই ফুটবোল এসোসিয়েসন্না এথলেতিক ব্রদরস এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

টেনিসঃ ৱিমবলদন টেনিসকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ঙসি নুমিদাং মঙারক হন্না গ্রান স্লাম চেম্পিয়ন ওইরবী ইগা সুয়েটেদকা থারতিন সিদ-অমন্দা এনি-সিমোভাগা থেংনরগনি।

মেটচ অসি ঙসি নুমিদাং পুং ৮ মখায়দা হৌগনি। নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা হয়েং ৱার্ল্ড নম্বর ৱান-জেনিক সিনরগা সেকেন্দ সিদ-স্পেনগী কারলোজ অলকারাজগা থেংনগনি।

------